# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৌমীশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে



মুক্তাসর, জুলাই ১১ (এজেন্সী): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি গ্রীন রিভোল্যুসনগা মরী লৈননা পঞ্জাবতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা লৌমীশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

মীওই লিশিং কয়া শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক অসিগী অকনবা থবক তৌরিবা লৌমীশিংবু ঈকায় খুম্নরি। লৈবাক অসিগী ওইনা হেন্না ফবা ফীভম অমদা লাকহন্নবগী লম্বীদা লৌমীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। নীং-খা তম্লবা মতুং লৈবাক অসিদা লৈঙাক পায়খিবা পার্টিশিংনা চহী কয়া অসিদা লৌমীশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিং খঙবীদনা লাক্লি। ষ্টেট অদুদা হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা অকালি দল অমসুং বি জে পি চুংশিন্নদুনা মথংগী এসেমব্লী মীখল থেংনরগনি।

মুক্তাসরদা পাঙথোকখিবা রেল্লি অদু ঙসি ষ্টেট অদুগী কোনুং চানি দগরদগী হৌখি। অদুগুম্বা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওই খুদিংমক্তসু প্রাইম মিনিষ্টরনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

বি জে পি অমসুং অকালি দলনা থৌরম অদু পুন্না শিনখিবনি। হৌজিক লৌমীশিংদা খুদোংচাবা পীগদবা মিনিমম সপোর্ট প্রাইজগী চাং হেনগৎহনবা লৈখ্রে। নেসনল দিমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্সনা চহী ৪ লৈঙাক পায়রকপা অসিদা মীয়াম-গীদমক চাউনা সপোর্ট প্রাইজ হেনগৎহনখিবা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। মদুনা লৌমীশিংদা চাউনা খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। লৈঙাক্কী ওইনা থৌশিল অদু পায়খৎনবগীদমক লুপা ক্রোর ১৫,০০০ কায়থোক্তুনা থমখ্রবনি হায়রি।

হৌজিক্তি ঐখোয়গী ইচিল-ইনাও ওইরিবা লৌমীশিং শ্বর হোন্দোক্লবগী তাঞ্জা অদু ফংলগনি। মখোয়না অহেনবা শেন্দোং ফংলগনি। মদুনা মরম ওইরগা নুংঙাইনা তূম্বা ফংলগনি। মদু লৈঙাক অসিনা মিনিমম সপোর্ট প্রাইজ হেনগৎহনখিবা অদুনা ওইহনবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মখা তানা ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেসকী মতমদা লৌমীশিংনা অহিং তূম্বা ফংলমদবা অদু ঙসিদি ফংলগনি। লৌমীশিংনা অসিগুম্বা মতম অসি লাক্কনি হায়বদু করিগুম্বা কান্দসু খল্লমদবা য়াই। চহী ৬০ চুপ্পা লৈঙাক পায়রক্লবা কোংগ্রেসকী মতমদা মীয়াম্না লৈবাক্কী লুচিংবনি হায়বশিংনা ৱা ঙাঙবা খক্তমক তারমগনি। ঙসিদি থবক ওইনা পাঙথোক্লবনি হায়খি।

# লুহোংবদা বোম্বুলা থাবা থিংখিবা মীওই ১ ফুবদা শিরে

নালবারি, জুলাই ১১ (এজেন্সী): অসামগী নালবারি দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোকখিবা লুহোংবগী থৌরম অমদা বোম্বুলা থাবা থিংননবা হোৎনখিবা মীওই অমা মফম অদুদা লৈরম্বা মীয়াম্না ফুবদা লৈখিদ্রে। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই তরুক ফাগৎখ্রে।

পাউ অসিগী মতুংইন্না ঙরাং নুমীদাং খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অদু মশক মমিং খঙবা ঙমখ্রে। মীওই অদুদি, গোরাথাল খুঙ্গংদগী জাতিন দাস (৩৫) কৌবা মীওই অমনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

লুহোংবগী থৌরম অদুদা বর থুংলবা মতমদা নুপীময়ুমগী মীওইশিংনা য়ুম অদুদা বোম্বুলা কয়া পোকখায়হনখি। অদুগুম্বা ফীভম অদু থিংননবা হোৎনরুবা জাতিন দাস কৌবা মীওই অদু বোম্বুলাগী মচেৎশিংনা পানখি। লোয়ননা মফম অদুদা লৈরম্বা মীয়ামশিংনা মহাকপু ফুখি। দাসনা লুহোংবগী থৌরম অদুদা বোম্বুলা পোকখায়হনবগী থৌওং চথুদনবা হায়রুবদগী মফম অদুদা লৈরম্বা মীওইশিংনা অশাওবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক ফুখি। মদুনা মরম ওইরগা মহাক মফম অদুমক্তুদা লৈখিদবনি হায়রি।

পুলিসনা মফম অদুমক্তদা চঙশিন্দুনা থিগৎপগী থবক চথুখ্রে। বর অমসুং মহাক্কী মমা-মপা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা ফাজিনখ্রে। লুহোংবগী থৌরম অদুদা বোম্বুলা থাদনবা হায়রুবগীদমক ফু-চৈবগী থবক চথুবদা মীওই অমা লৈখিদবা অদুগী মতাংদা পুলিসনা থিগৎপগী থবক চথুবা হৌখ্রে। লমদম অদুদা হৌজিক চাউনা উংখৎনবা লৈরি। লৈখিদ্রবা দাসকী হকচাং অদু কন্যাগী য়ুম লৈরিবা ইংখোলগী অদুগী মনুংদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্কদবনি হায়না লমদম অদুগী মীয়াম্না দিমান্দ তৌখ্রে। ওইরিবা ফীভম অদু লাকশিন্নবগীদমক সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্সকী পার্সনেলশিং খুঙ্গং অদুদা মথৌ তৌহনখ্রে।

অসামগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস কুলাধর সাইকিয়ানা ফোঙদোরকখিবদা, গোরাথাল খুঙ্গংদা থোকখিবা থৌদোক অদু লাইবক থীবা অমনি। হৌজিক খুঙ্গং অদুদা ওইরিবা ঈরাংগী ফীভম অদু লাকশিনবা ঙল্লে। লোয়ননা মখা তানা থিজিন্নবা থবকসু পায়খৎলে হায়খি।

# থাইলেন্দগী শুরুংদগী পুরকখ্রবা অঙাংশিং হোস্পিটালদা থমখ্রে



বেঙ্কোক, জুলাই ১১ (এজেন্সী): থাইলেন্দগী থাম লুআং শুরুংদগী অশোয় অঙাম য়াওদনা পুথোরকখ্রবা ফুটবোল শান্নরোয় নুপামচা ১২ হোস্পিটালদা থমদুনা য়েংশিনখ্রে।

চয়োল অনী হেন্না শুরুং মনুংদা লৈরুরবা অঙাংশিং অদু অরুবা ফীভম কয়া লাকশিন্দুনা দ্রাইভরশিংনা কল্লকখ্রবা মতুং অশোয় অঙাম থোক্তনবগীদমক হোস্পিটালদা থমদুনা য়েংশিনখিবনি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না শুরুং মনুংদা লৈখ্রবা শান্নরোয়শিং অদু কন্ননবা হোৎনবদা দ্রাইভর অমগী পুন্সি মাংখিবা লৈখ্রে। ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমীৎ ফাওবদা শুরুং অদুগী মনুংদগী মীওই ১৩ মক পুথোরকপা ঙমখ্রে। অঙাংশিং অদু পূক্নিং লাংতক্লবা অমসুং মশাদা হৈনিংদবা ফাওবগী মওংশিং উবগা লোয়ননা লায়কন্ননবা হোৎনখিবনি। শুরুং মনুংদগী পুথোরকখ্রবা মতুং অঙাংশিং অদু ৱাখল লৈতাদবা ফীভম অমদা লৈবা থেংনখি। থাই নেভি সিলনা ঙসি ফোঙদোরকখিবদা, শুরুং অদুগী মনুংদগী মায় পাক্লা শান্নরোয় নুপামচা ১২ অমসুং কোচ অমা কনবা ঙমখ্রে। অহানবদদি মীওইশিং অদু কনবা ঙল্লরোইদ্রা হায়বগী অৱাবা ফীভম অমা মায়োক্লখি। অদুম ওইনমক দ্রাইভরশিংনা শুরুং অদুগী ঈশিং থুমজিনখ্রবা মফম কয়া লান্না চঙশিন্দুনা থি-হুম্বগী থবক চথুবদা অঙাংশিং অদু মশা-মউ ফনা লৈরম্বা থেংনখিবনি।

অহানবদদি মীওইশিং অদু হিংলমগনি হায়বগী থাজবগী চাং ৱাৎনা লৈরুরবনি। অদুম ওইনমক লাইবক ফবদগী অঙাংশিং অদু অমম্বা শুরুং অদুগী মনুংদা অশোয় অঙাম য়াওদনা লৈরম্বা থেংনখি হায়রি।

শান্নরোয়শিং অদুনা শুরুং অদুগী মনুংদা চঙখ্রবা মতুং অকনবা নোং চুরকপনা মরম ওইরগা শুরুং অদুগী মচিন অমসুং মনুংগী শরুকশিংদা ঈশিংগী ঈমায় ৱাংখৎলকখি। শুরুং মনুংদগী পুথোরকখ্রবা শান্নরোয় ১২ অমসুং কোচ অদু চিয়াংরাই সিটিদা লৈবা হোস্পিটালদা থমদুনা য়েংশিল্লি। মীওইশিং অদুদা পূক্নিং ৱাখলগী ওইবা অকিবা লৈরম্বশিং মপুং ফানা কোকহন্নবা অমদি তোঙান তোঙানবা লায়না কয়া চঙলম্বা য়াবগী খুদোংথিবা লৈতনবা লায়েংবগী থবক চথুরি হায়রি।

# বি এস এন এলনা অহানবা ওইনা ইন্টর্নেট টেলিফোন সার্ভিস হৌদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১১ (এজেন্সী): ভারত সঞ্চার নিগম লিমিটেদ (বি এস এন এল)না ঙসি অহানবা ওইনা লৈবাক অসিদা ইন্টর্নেট টেলিফোন সার্ভিস হৌদোকখ্রে।

থৌশিল অদুগী মখাদা য়ুজর অমনা লৈবাক অসিগী মনুংদা শীজিন্নরিবা টেলিফোন নম্বর অমদা মোবাইল এপকী মখাদা ফোন তৌবা য়াগনি। বি এস এন এলগী কষ্টমরশিংনা কম্পেনিগী মোবাইল এপ মিংদগী লৈবাক অসিদা লৈরিবা ফোন নম্বর খুদিংমক্তা কোল তৌবা য়াবগী খুদোংচাবা অদু ফংলগনি। মমাঙদদি অখন্নবা নম্বর খক্তদমক ফোন কোল তৌবা য়াবগী খুদোংচাবা অদু লৈরম্বনি। অতোপ্পা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা ফোন নম্বরশিংদা কোল তৌবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরমদে। হৌজিক ওইরিবা কম্পিটিটিব এনভাইরনমেন্ট অসিদা বি এস এন এলগী সেয়র হেনগৎহন্নবা থৌশিল অমা ওইনা অনৌবা খোঙথাং অদু পায়খৎলকপনি।

বি এস এন এলনা পায়খৎলক্লিবা ইন্টর্নেট টেলিফোনি অদু মীয়ামদা খ্বাইদগী হেন্না খুদোংচাবা ফংলগদবা অমসুং সিম য়াওদনা কোল তৌবা য়ারগদবা মখল অমনি হায়না টেলিকোম মিনিষ্টর মনোজ সিংহনা সার্ভিস অদু হৌদোকপগী থৌরমদা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

বি এস এন এলগী কষ্টমরশিংনা সার্ভিস অদু শীজিন্নদুনা লৈবাক অসিগী মনুংদা লৈবা নেটৱার্ক খুদিংমক্তা কোল তৌবা য়াগনি। মদুতা নত্তনা বি এস এন এলগী ৱাই ফাইশিংগা শম্নবা নৎত্রগা সার্ভিস প্রোভাইদরশিংদসু কোল তৌবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈগনি হায়রি। টেলিকোম কম্মিসনননা ফোঙদোরকখিবদা, কম্পেনি অদুনা টেলিকোম লাইসেন্স ভেলিদ ওইরিবা প্রোভাইদরশিংনা ৱাই ফাই কন্নেক্সনগী খুত্থাংদা এপ অদু শীজিন্নদুনা কোল তৌবা য়াগনি।

# ট্রিপল টলাক তৌখ্রবা নুপী অমা থা ১ রোম কা অমগী মনুংদা থোঙ লোনশিন্দুনা থল্লম্বদগী লৈখিদ্রে




বরেলি, জুলাই ১১ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশকী বরেলিদা মপুরোইবনা ফোন্দা ট্রিপল টলাক তৌরকখ্রবা নুপী অমা কা অমগী মনুংদা থা ১ চুপ্পা চানবা চীঞ্জাক অমসুং ঈশিং ফংহন্দনা থল্লম্বা মতুং হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্ননবা হোৎনবদা লৈখিদ্রে।

পাউ অসিগী মতুংইন্না লৈখিদ্রবী নুপী অদু চহী ৬ কী মচা অমগা লমদম অদুদা লৈরম্বী রাজিয়ানি হায়বা খঙবা ঙল্লে। রাজিয়াগী মনাওনুপী অমনা ফোঙদোরকখিবদা, মহাক্কী মচে অদু মহাক্কী মপুরোইবনা অউনপোৎকী মতাংদা তোয়না ফু-চৈবগী থবক চথুখি। অহানবা ওইনা ট্রিপল টলাক তৌরক্লবা মতুং নুপী অদুবু কা অমগী মনুংদা চানবা চীঞ্জাক অমসুং থক্লবা ঈশিং ফংহন্দনা নুমীৎ কয়ানি থম্বীখি হায়না ফোঙদোরক্লি।

থা ১ রোম চুপ্পা য়ুম অমগী মনুংদা থোঙ লোনশিন্দুনা থল্লম্লবা মতুং মহাক মফম অদুদগী লৌথোক্তুনা লায়কন্ননবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক মতম শাংনা শাথিবা ফীভম অমদা লৈরকপা অদুনা মরম ওইরগা মহাক লৈখিদ্রে। মদুগী মতাংদা পুলিসতা ৱাকৎনবা হোৎনবদা পুলিসনা কেস অদু রেজিষ্টার তৌ হায়বা য়াখিদে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মিরা হক কৌবা এন জি ও অমগী ফাউন্দর ফরাহদ নকবিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, রাজিয়াগী মপুরোইবা নাহিমনা লুহোংলবা মতুং মহাক্কী নুপীবু ওৎ-নৈবগী থৌওং কয়া চথুখি। রাজিয়া দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্ননবা হোৎনখি। মদুগী মতুং লক্ষনৌদা লৈবা অফবা হোস্পিটালদা লায়েংনবা ট্রান্সফর তৌরকখি। অদুম ওইনমক মহাক্কী ফীভম লুশিল্লকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রে হায়রি। মমাঙ চয়োলদা মহোবাদা মপুরোইবনা টলাক তৌবীরবা নুপী অমা মথন্তা মৈ থাজদুনা শিখিবসু লৈখ্রবনি হায়রি।

# গ্রীসতগী রসিয়াগী দিপ্লোমেট অনী তান্থোক্লবা য়াথং পীখ্রে

এথেন্স, জুলাই ১১ (এজেন্সী): গ্রীস ওথোরিটিনা রসিয়াগী দিপ্লোমেট অনী তান্থোকখিনবা য়াথং পীখ্রে। লৈবাক অদুগী ঙাক-শেনগী ফীভম য়েংলগা মীওইশিং অদু লমদম অদুদা লৈহন্দনবা খঙহনখিবনি হায়না লোকেল মীদিয়ানা রিপোর্ট তৌরক্লি।

গ্রীক লৈঙাক্লা রসিয়াগী ওফিসলশিংবু সেন্সিটিব ওইবা পাউশিং পীথোকখি হায়বগী মরাল শিরি। রসিয়ানা হায়, য়ুমশকৈশা নুমীৎতা মখোয়গী দিপ্লোমেট অনী তান্থোরকখ্রে হায়বা রিপোর্ট অমদগী খঙবা ঙমখ্রে। থৌশিল অদুনা এথেন্স অমসুং মোস্কোগা লৈনবা মরীদা চাউনা অকায়বা পীরগনি। লৈবাক অনীনা চহী কয়াগী মমাঙদগী অফবা মরী লৈনরকখিবনি। অদুম ওইনমক গ্রীসনা খুদক্তা রসিয়াগী দিপ্লোমেট অনী তোঙান তোঙানবা মরাল শিদুনা তান্থোক্লবা হোৎনরি। মদু লৈবাক অনীগী ওইবা মরীদা চাউনা খুদোংচাদবা নৎত্রগা উংখৎনবা থোকহনবা য়াবা অমনি হায়রি।

তান্থোকখ্রবা রসিয়াগী ওফিসল অমগী মমিং খঙবা ঙমখ্রে। মীওই অদুদি রসিয়ন এম্বেসিগী ওফিসল ভিক্টর য়াকোবলেভনি হায়না কাথিমিরেনি কৌবা সিনিয়র দিপ্লোমেটকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

কাথিমিরেনিগী পাউ মতুংইন্না রসিয়ানা লৈবাক অদুদা ওইরিবা সেন্সিটিব ইস্যু খরদা খুৎ থিংজিন্দুনা পূক্নিং লৈতাবা ফীভম অমা পুরক্লবা হোৎনখি। লোয়ননা মেসিদোনিয়াগী মিংদা তোঙান তোঙানবা ইস্যুশিং ঈকায় খুম্নদুনা লাকখিবনি হায়রি।

মমাঙথাদা মেসিদোনিয়া অমসুং গ্রীসনা চহী ২৭ শুরবা ৱাথোক লোইশিন্নবা য়ানবা ৱাফম অমা পুরকখিবনি। গ্রীসনা হৌজিক রসিয়াগী ওফিসলশিং তান্থোরক্লে। মদুগী চপ চাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

# চাইনাগী দিসিদেন্ট চহী ১৩ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে

বৈজিং, জুলাই ১১ (এজেন্সী): চাইনাগী দিসিদেন্ট অমসুং দিমোক্রেসি কেম্পেনর কিন জোং মিন (৬৪) চহী ১৩ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে। লৈবাক অদুদা দিমোক্রেসি লৈহন্নবা অকনবা থবক তৌদুনা লাকখিবা কিন জোং মিন মমাঙদা চহী ২২ জেলদা লৈরুরবা মীওইনি। ঙসি মহাক্কী মথক্তা চথুবা কেস অমদা মহাক্লা কোর্টকী থবক থৌরমশিংদা মতেং পীয়ু হায়বা য়াখিদে। মদুনা মরম ওইরগা ময়াই থংবা চাইনাদা লৈবা ৱু হান সিটি ইন্টর মেদিয়ট পিপলস কোর্টনা মহাক মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখি। চাইনিজ হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দরনা ফোঙদোকখিবদা, কিন জোং মিননা চাইনাদা দিমোক্রেসি লৈহন্নবা মঙলান কয়া মঙখি। মহাক্লা হ্যুমেন রাইটস ওর্গনাইজেসন কয়াদসু হিরম অদুগী মতাংদা থবক পায়খৎনবা পাউতাক কয়া পীখিবা লৈখি হায়রি।

**মীতৈ লায়েং**
য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি । এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙল্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙল্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীতৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি উনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।
**অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।**

Regd. No. 4277 of 82 April
Phone No. 9612225582
DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee
HL-B/4699/19/6-18/07

EMPLOYMENT
1. WANTED OFFICE STAFF AGENT
Regular job for the Staff agent in Manipur
Min Qua :- VIII Pass ,Age :- 18 to 38 years, No of Post-58 both male/fem
Monthly Salary :- Rs-13,000 to 25,600 + Travelling incentive.
থবক্কী পাউ



( AIR HOSTESS REGULAR JOB )
Min Qua :- XII, Age : 17 to 30 years.
Become a Cabin Staff within 60 Days only
Monthly Salary :- Rs-25,000 to 67,000.
Immadiately Joining for Selected Candidate
*Job for Domestic & Internaltional Airport within India. Accommodation provided
NO DEPOSIT SL NO-4 MERCHANT NAVY JOB IN INDIA & ABROAD NO DEPOSIT
[ Freshers and experienced seafarer can apply ]
i) Deck Officer , Engine Crew, Seaman, G.P. Rating & D.N.S Cadet
Salary: ₹30,000.00 to ₹80,000.00 /month Qualification :- X to Graduate.
For Detail Just Contact us at :-
OFFICE OF THE
Leima Job Guideline Service, Kwakeithel Bazar, Airport Road-Imphal.
Helpline no :-8974975286
HL-B/4677/2/6-30/7(Alt.)

www.vishallawinstitute.in
VISHAL GROUP OF INSTITUTIONS
Affiliated to Manipur University
Approved by BAR COUNCIL OF INDIA
ADMISSION OPEN
* free Education for ARTS stream *
LAW Make your CARRER After 10+2 B.A



LAST DATE OF ADMISSION - 15th June 2018
# Changangei maning leikai,near Airport , Imphal west -795140
HL-B/4663/29/5-26/06(Alt.)

STUDY MBBS/MD IN ABROAD
BANGLADESH, CHINA, KAZAKHSTAN
KRYGYSTAN, PHILIPPINES, GEORGIA
SOUTH AMERICA, UKRAINE, RUSSIA
(PACKAGE STARTS FROM 12 LAC)
Eligibility : 2018 NEET Qualified Candidate Only
ADMISSION OPEN
REGULAR MEDICAL COURSE FOR NEET-2019
(Available Library Facility with Reading Room After Class Hour)
Class starts from 11th July 2018
Free seats for 450 above in NEET Exam. 2018 & PCB 80%
A.S. Education Trust Minuthong, Hatta Tellipati, Imphal
Special Coaching Classes for ANATOMY, PHYSIOLOGY, BIOCHEMISTRY, CHINESE AND BENGALI WILL START FROM 1ST JULY 2018.
PLZ Contact : Atawar Rahman, A.S. Education Trust (JR INTERNATIONAL CONSULTANT)
Khergao Thambalkhong, Near Old Cambridge School, Imphal East, Manipur
BRANCH OFFICE : A.S. Education Trust Minuthong, Hatta Tellipati, Imphal
Contact No. : 8974084294, 9615706900,8415930785,8794249895
HL-B/4732/7/7-5/

ADMISSION OPEN
ENGLISH COACHING
For
➢ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
➢ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Eligibility : Class X, XII, Graduate & Young mothers]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact Nos. ☎ 8974642764
HL-P/3380/4/7-3/8

SARASWATI COACHING INSTITUTE
Chingmeirong Khongnang Karak, Imphal
ADMISSION OPEN
CLASS XI Science FOUNDATION COURSE
Starting of Class : 16th July, 2018
MEDICAL REGULAR COURSE (NEET UG) -2019
Starting of Class : 25th July, 2018
Special feature
1. Supply of study material from Delhi.
2. Weekly test strictly in NEET pattern.
3. Free studentship secured mark for (80% and above).
4. Hurry limited seat only.
Managing Director
We nourish your future
HL-B/4722/28,30,&26/July(Alt.)

EDUCITY TUTORIALS
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI & NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
Limited Seats!
Timing:
5:00 am to 7:00 pm
4:30 pm to 7:30 pm
Contact: 9612194500 | 8731977228
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE FOR SESSION 2018
CLASS - I TO X, CLASS - XI & XII (SCIENCE) (Both CBSE & BOSEM)
* PRINTED STUDY MATERIALS FOR EACH STUDENTS * COUNCELLING WITH PARENTS & STUDENTS
* PROBABLE SUGGESTIONS * WELL EXPERIENCE FACULTY MEMBERS
* SPECIAL TEST SERIES * HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS
FEE STRUCTURE:
CLASS I TO V (Rs. 800/- Month) CLASS VI TO VIII (Rs. 1000/- Month)
CLASS IX & X (Rs. 2000/- Month) CLASS XI & XII Sc. (Course Fee: 4 Months Rs. 14,500/-)
CLASSES STARTING FROM 12TH & 20TH JUNE, 2018
OUR FACULTIES FOR XI & XII SCIENCE:



FACULTIES FOR CLASS I TO X:
1. Madam Romita Devi (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Miss Premika (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Miss Yaipharembi (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Miss Sonia (3 Yrs Experience in Teaching)
5. Miss Preety (3 Yrs Experience in Teaching)
6. Miss Melody (3 Yrs Experience in Teaching)
7. Miss Esther (3 Yrs Experience in Teaching)
8. Miss Nonnidy (3 Yrs Experience in Teaching)
9. Miss Nirmala (3 Yrs Experience in Teaching)
10. Miss Mrityunjoy (3 Yrs Experience in Teaching)
1. Sir Subhaschandra (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Sir Wenlian (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Sir Apol (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Sir Chetan (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Sir Bonjo (5 Yrs Experience in Teaching)
HL-P/3359/15/6-15/7